## য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচএন এস): কোমরেম ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন ইম্ফালনা বোসেম, কোসেম অমসুং সি বি এস ইনা লৌবা ইগজামিনেসন ২০১৮ থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ইগজামিনেসনশিং অসি থারিবা মহৈরোই খুদিংমক্না ইগজামিনেসনগী কাগুলোন ঙাক্না চৎতুনা পুকচেল শেংনা কৎথোকপগা লোয়ননা ইগজামিনেসন থাননবা ৱাফম ফোঙদোরকপগা লোয়ননা অনফিয়র মিন্স শিজিন্দনবা ৱাফম ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহৈরোই পূন্নমকপু মায় পাকপা ওইসনু হায়না পাউজেল পীরক্লি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচএন এস): জিরিবাম এ সিগী এম এল এ অসব উদ্দিননা জিরি-তিপাইমুক রোদ শেমজিনবগী থবক পাঙথোকপীরকপবু মার ষ্টুডেন্টস এসোসিএসন জিরিবাম জোইন্ট হেড ক্বাটরনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।জিরি-তিপাইমুক রোদ অসি জিরিবামগী মতাই ওইবা শরুক্তা লৈরিবা মার ভিলেজশিংগীদি খ্বায়দগী মরু ওইবা লম্বী অমা ওইরিবনি হায়রি।

## শরোই খাংগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচ এন এস): সনা কোনুং উত্রা শঙলেন্না শিন্দুনা লৈবাক্কী ওইবা লাইথৌ শরোই খাংবা অমসুং খুন্থোং লাৎপগী থৌরম থা অসিগী ১৭ তা পাঙথোক্কনি।

নুমিৎ অসিদা খুন্থোং ফাৎপগী থৌরমসু খুরাই অহোংপুং, কোংবা সৌদাংপুর, তেরা ৱাংথোনবী পুং অমসুং কক্বা লংদাই পুং হায়রিবা পুংশিং অসিদা হৌনবা লাইশোন তৌদুনা মথং মনাউ কায়দনা লাৎকনি হায়রি।

লাইনিংথৌ মার্জিংনা কোল্লিবা খুরাই অহোংপুং অসি অশি থোংনি। থোং অসিদা ফাওদুনা চৎকদবা, তেক-কায়গদবা থৱায়শিং তেকহনবীগনু-কায়হনবীগনু, নুংঙাই-য়াইফবা লৈবাক মরা তপ্পা পীবিয়ু হায়দুনা খুরুমদুনা লাৎথোক্কনি। অচুম্বা কোংবগী পুং ৱাংপুরেলগী থোং, তেরাংগী ৱাংথোনবী, কৌব্রুগী থোং অমদি কক্বাগী ইপুধৌ থাংজিংগী থোং হায়রিবা থোংশিং অসিদা চৎকদবা থৱাইশিংবু ফাবিদুনা লৈপাক নুংঙাই-য়াইফনবা থৌনিগনি হায়রি।

## কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচএন এস): মণিপুর ষ্টেট ভারত স্কাউটস এন্দ গাইদসনা শিন্দুনা থা অসিগী ১০ দা পারী-ইমোম শিন্দমশঙ লাংজিংদা হৌদোকখিবা কেম্প অদু থা অসিগী ১৩ গী নুংথিলদা মণিপুর ষ্টেট ভারত স্কাউটস এন্দ গাইদসকী চিফ কম্মিস্নার টি ঐচ ইবোপীশক অমসুং ষ্টেট কম্মিস্নার এল লক্ষ্মিনা চিফ গেষ্ট অমসুং প্রসিডেন্ট ওইদুনা লোইশিনখ্রে।

## পিগরি য়ুনিট ২২ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচএন এস): নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলগী পিগরি ফেট্টনিং য়ুনিটস ইন নের্কোমপ ৩ ডিষ্ট্রিক্ট ওফ নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী মখাদা ওকলু ভিলেজদা পিগরি য়ুনিট ১৫ অমসুং অনাল খুল্লেন্দা পিগরি য়ুনিট ৭ হাংদোকখ্রে।

থা অসিগী ১৪ দা পাঙথোকখিবা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ওকলু অমসুং অনাল খুল্লেন্দা পিগরি য়ুনিটশিং হাংদোকপগী থৌরম অদুদা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী এস ডি সি মোইরাংথেম গৌতম, প্রোজেক্ট মেনেজর লিলি রোজ জাজো, নের্কোমপ চান্দেলগী ষ্টাফশিং, ভিলেজ চিফশিং অমসুং সেল্ফ হেল্ফ গ্রুপ কয়ানা শরুক য়াখি।

## ইন্টরনেসনেল ৱুমেন্স ডে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচএন এস): কংলৈ ইমা লুপ্না চহি খুদিংগী পাঙথোকপগুম লাক্লিবা মার্চ ৮ দা মালেমগী নুপীগী নুমিৎ ইন্টরনেসনেল ৱুমেন্স ডে হন্দক চহিগী ওইনা শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকাইদা লৈবা য়াৱা ক্লবগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

থৌরম অসি মপূং ফানা পাঙথোক্নবা হোৎনবদা মীয়াম্না তেংবাংবীয়ু। থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা মার্চ ৮ দা মখল অমত্তগী বন্দ- ব্লোকেদনচিংবা অমত্তা তৌবিগনু হায়রি।

## হকশেলগী পাউজেল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচএন এস): দুরদর্সন কেন্দ্র ইম্ফালনা থা অসিগী ১৯ গী নুংথিল পুং ৫.৩০ দগী ৬.৩০ ফাওবদা ডা: এন হেরোজিৎ এসোসিয়েট প্রোফেসর ডিপার্টমেন্ট ওফ সর্জরি (জেনিমস) না গোল ব্লডরদা নুং লৈবা অমসুং থা অসিগী ২৬ গী নুংথিল পুং ৫.৩০ দগী ৬.৩০ ফাওবনা জেনিমসকী ই এন টি ডিপার্টমেন্টকী এসোসিয়েট প্রো: ৱাই তোম্বানা সাইনসাইটিসকী মরমদা এক্সপার্ট ওইনা ৱা ঙাংগনি হায়রি।

# জিরিবামদা আর্জুন এৱার্দী বেমবেম অমসুং ইন্টরনেসনেল ফুটবোল্লর বেবিসনাবু ওকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচএন এস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) জিরিবাম্না শিন্দুনা ফুটবোল মশান্নদা আর্জুন এৱার্দ ফংলক্লবী ওইনাম বেমবেম অমসুং জিরিবামদগী ইন্টরনেসনেল ফুটবোল্লর টি ঐচ বেবিসনাবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম মুবি এম পি এস, সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস জিরিবাম, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিডেন্ট এম ব্রজকান্তা, এ এফ সিগী ইন্সষ্ট্রক্টর এস একেন্দ্রা ও বেমবেম অমসুং ইন্টরনেসনেল ফুটবোল্লর বেবিসনানা মথং শিৎনা চিফ গেষ্ট, প্রসিডেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওর্নরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এ জে এস এগী ইগজুকেটিব মেম্বর ডা: এস অরুনকুমারনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীখি অমসুং এ জে এসকী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ অসোক্কুমারনা ইন্ট্রদক্টরি স্পিস পিবদা জিরিবাম অসি স্পোর্টসকী লমদা য়াম্না ৱাৎপা লমদম অমা ওইরে। মরু ওইনা নুপীগী ফুটবোল্লর পুথোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইরি। মসিদা মীয়াম্না মতেং পীবা চঙই অমদি অচৌ-অশাং কয়ানা ৱাখলগী, শেল-থুমগী মতেং পীবা তঙাইফদে। মীয়াম অমদি অচৌ-অশাংশিংনা জিরিবাম ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী স্পোর্টসু চাওখৎনবা হোৎনবদা অঙন্বা মতেং পাংবিয়ু।

থৌরম অদুগী চিফ গেষ্ট ওইখিবা এম মুবিনা হায়খি, মহাকসু স্পোর্টসপু য়াম্না পামজবা মীওই অমা ওইনা হৌরকখি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অসি জিরিবামগীদমক য়াম্না খনবা লুচিংবা অমনি মরম অদুনা জিরিবামগী স্পোর্টসকী মতাংদা চাওখৎনবা অমদি অৱাৎপাশিংগী মতাংদা মীয়ামগী নুমিৎ নৎত্রগা সি এমবু উন্নবগী এপোইনমেন্ট লৌদুনা উন্নদুনা জিরিবামগী স্পোর্টসকী ৱাৎলিবশিং কোকপা ঙমগনি হায়না খল্লি। জিরিবামগী স্পোর্টসকী লমদা মহাক্না অঙন্বা মতেং পাংখিগনি।

থৌরম অদুগী গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইখিবি টি ঐচ বেবিচানা হায়খি, ঙসি ঐখোয়বু পোকপীবগীদমক এ জে এস এ জিরিবাম্বু ঙমখে লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মহাক্না মতৌ করম্না ইন্টরনেসনেল ফুটবোল্লর করম্না ওকখিবনো হায়বগী ৱারীশিংসু মীয়ামদা লীদুনা তাহনখি।

থৌরম অদুগী গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইখিবী ও বেমবেম্না হায়খি, ঙসি ঐখোয়বু ওকপীবগী থৌরম অমা এ জে এস এনা পাঙথোকপীবা অসি ঙমখে লৈতনা নুংঙাইবা ফাওই। করম্না ইন্টরনেসনেল ফুটবোল্লর করম্না ওইরকখিবগে হায়বসু মীয়ামদা তমখি। জিরিবামগী মীয়াম্না মহাকপু ইকাইখুম্নবগী অমদি মীয়াম্না শৌগৎপীদুনা ঙসি মহাক্না আর্জুন এৱার্দ ফংলকপদসু মীয়ামগী শরুক য়াখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এ এফ সি ইন্সষ্ট্রক্টর এস একেন্দ্রনা হায়খি, জিরিবামগা ঐহাক্না মতম কুইনদগী হৌনা অফবা স্পোর্টসকী মরী ঙসি ফাওবা লৈন্দুনা লাক্লি।

ফুটবোল্লর অমনা মতৌ করম্না আর্জুন এৱার্দ ফংগদগে হায়বসিগী মতাংদা মরিক চুম্না ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ও বেমবেম্না মতৌ করম্না আর্জুন এৱার্দ ফংখিবনো হায়বগী মতাংদা শন্দোক্না হায়খি। বেমবেম্মু রিভেন্স হায়বা টাইটল ফাওবা ফিফানা পীখি হায়বা ৱাফমসু থমখি।

জিরিবাম ডিষ্ট্রিক্ট অসিদা লাক্লিবা থা ২/৩ অসিগী মতুংদা শোইদনা স্পোর্টসকী অহোংবা অচৌবা অমা পুরক্কনি হায়খি। জিরিবামগী মীয়াম্না মতেং পাঙবিয়ুনা স্পোর্টসপু চাওখৎনবা হোৎনসি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

প্রসিডেন্টকী ৱারোলদা এল ব্রজকান্তনা হায়খি, জিরিবামদগী শান্নরোই অমনা ইন্টরনেসনেলগী থাক য়ৌরকপা অমসুং মণিপুরগী মমিং লৈরবী ফুটবোল্লর ও বেমবেমনা আর্জুন এৱার্দ ফংলকপগী হরাউ-তয়াম্না ওকপগী থৌরম অমা এ জে এস এনা শিনবা অসিদা শরুক য়াহনবগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি অমদি মতুংনা শান্নরোই কয়া থোরক্কুনা লমদম অসিবু হেন্না মমিং লৈনবা মফম অমা ওইহল্লকনি হায়না থাজে।

থৌরম অদুদা তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়ানা অমদি শান্নরোই কয়ানা শরুক য়াখি।

## থৌবাল তুরেল কন্নবা ৱাকৎ মীফমশিং পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচ এন এস): থৌবাল তুরেলবু খুৎশেমগী অমোৎপা ঈশিং চেলহনবিগনু হায়দুনা কম্মিটি ফোর কঞ্জর্ভেসন ওফ থৌবাল রিভরনা শিন্দুনা ক্লব অমদি ওর্গনাইজেসন কয়াগা খুৎশম্নদুনা ঙসিসু তোঙান তোঙানবা মফম মঙাদা ৱাকৎ মীফমশিং ফমখ্রে।

তুরেলনা ঐখোয়গী থৱায়নি, থৌবাল তুরেল কল্লু, ফিভম শোক্লবা থৌবাল তুরেল ফগৎহনবিয়ু হায়বনচিংবা থাবা প্লে কার্দ কয়া শিজিন্নদুনা চৎথখিবা ৱাকৎ মীফম অদু য়াইরিপোক মায়কৈগী ওইনা বামোন লৈকাই য়ুথ ক্লব য়াইরিপোক, নোংপোক নিংথৌ য়ুথ এসোসিএসন তোপ চীংথা, এস ই দি ও বিষ্ণুনহা, য়াইরিপোক কৈথেলগী দুকানশিং অমদি কৈথেলগী পোৎফম ফন্বীশিংনা য়াইরিপোক কৈথেলদা ফমখি।

হাওখা কিয়াম মায়কৈগী ওইনা কিয়াম সিফাই সোসল ৱেলফিসর, কিয়াম সিফাই ৱাংম তাবা, অমুরিজান লৈকাই ক্লব, খোং অহনবী য়ুথ এসোসিএসন, য়ুথস স্পোর্টিং ক্লব, হৈবোং লৈবাই য়ুথ এসোসিএসন, কিয়াম ৱেলফিয়র এসোসিএসন, কিয়াম ৱাংমতাবা য়ুথ এসোসিএসন, ক্ষেত্রিময়ুম য়ুথ এসোসিএসন অমসুং রোয়ল ক্লব লাইথিঙোলনা লৈকাইগী মৈরা পাইবী অমদি মীয়ামগা লোয়ননা কিয়াম বাবু বজারদা ৱাকৎ মীফম ফমখি।

লৈশাংথেম মায়কৈগী ওইনা য়ুথ ৱেলফিয়র এসোসিএসন অমসুং অপূনবা লৈশাংথেম নুপী লুপ্না মীয়ামগা লোয়ননা লৈশাংথেম বজারদা পাঙথোকখি।

থৌবাল ওক্রমগী ওইনা য়ুথ ডিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন ওক্রম অমদি মৈরা পাইবিশিংনা মীয়ামগা লোয়ননা ওক্রম কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখি।

থাবনতোংবা মায়কৈগী ওইনা আসা বন্তোনৈবা য়ুথ স্পোর্টস এন্দ ডিভলপমেন্ট কম্মিটি, ৱার্দ ডিভলপমেন্ট কম্মিটি অমদি মৈরা পাইবী নুপীশিং অমদি লৈকায়গী মীয়ামগা লোয়ননা থাবনতোংবা মনুং কৈথেল মচাদা ৱাকৎ মীফম ফমখি।

ফৌদেল মায়কৈগী ওইনা এলিসা ক্লব ফৌদেলনা শিন্দুনা ফৌদেলদা পাঙথোকখি। থৌবাল খেকমন মায়কৈগী ওইনা খেকমন পব্লিক লাইব্রেরি কম ইনফোর্মেসন সেন্টর অমদি ন্যু এজ প্রোগ্রেসিভ ফার্মর ক্লব খেকমন্না শিন্দুনা খেকমন কম্যুনিটি হোলদা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখি।

ৱাকৎশিং পাঙথোক্লিবা অসিগা মরী লৈননা কম্মিটিগী কনভেনর কে ঐচ ইনাওচানা ফোঙদোকখিবদা, কম্মিটি অসিনা নুমিৎ হুম্নি খক খোঙজং চঙশিনবদা তুরেল অসিগী ঈশিংগী মচু অসি অওনবা অমা লাক্লে, য়াম্না ফগৎলে। মসিনা তাকপদি তুরেল অসিবু মোৎহনবা অমদি ফগৎহনবা হায়বসি কনাগুম্বা খরগী খুৎতা লৈবগুম্না উহল্লিবা অসি অশেংবা অমা মরী লৈনবশিংনা খঙদোকপীয়ু।

তুরেল অসিগী ঈশিং তুংকোইনা ফহন্নবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু। কম্মিটি অসিনা হয়েং ফাওবা ডেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিল্লিবা অসি লৈঙাক্লা খঙবিদুনা হয়েং ফাওবদা পোজিটিভ ওইবা থৌওং মরী লৈনবশিংনা পায়খৎপীদ্রবদি হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি।

## শবেং অমা কনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচএন এস): সুগুনুগী তাংজেং খুঞ্জাও মনাক্কী খৌবুক ভিলেজদা লৈবা খৌবুক ইমা পান্থোইবী লাই হরাউনবগী লাইবুং শেংদোকপা মতমদা লৈরম্বা শবেং অমা কনখ্রে হায়রি।

শবেং অদু থৌবালগী ডি এফ ওগী মীৎয়েং মখাদা ককচিং রেঞ্জ ওফিসকী মতেংগা লোয়ননা ৱাইল্ড লাইফ ৱার্দেন থৌবাল দল্লিয়ু রামচন্দ্র অমসুং এম ওপেন্না ইরোইশেনবদা লৈবা মণিপুর জুলোজিকোল গার্দেনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

শাবেং মখা অসি মণিপুরদা য়াম্না তাংনা ফংবা মুৎখিগদ্রা হায়না খন্নরিবা শাশিংগী মরক্তা য়াওরিবনি। মণিপুরগী থাইনগী থাজনবীগী মতুং ইন্না শাবেংগী শরু অসি অকায়বা শরু লায়েংবদা য়াম্না ফৈ হায়না থাজনবদগী শা অসি মীয়াম্না পাম্নবা মখল অমনি। শা অসিগী মেডিকেল ভেল্যুদা নত্তনা মশা চানবগীদমক্তা পাক্তকননা হাৎলকপদগী মশিং য়াম্না হন্থখ্রিবনি।

অমরোমদা শাবেং অদুবু হাৎতোকপীখিবগী মহুত্তা ফোরেষ্ট ডিপার্টমেন্টদা শিন্নরকখিবা অদুগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোরকখি। ফোরেষ্ট ডিপার্টমেন্টকী মচিন চৎপা অমনা ফোঙদোরকপদা ৱাইল্ড লাইফ প্রেটেক্সন এক্ট ১৯৭২ গী মতুং ইন্না লাং থাক্কুনা শা ফারম্বা, য়োল্লম্বা অমদি লমলক্কী শাশিং হাৎলম্বাশিংবু চহি অহুম জেলদা থম্বগী চৈরাক অমসুং ফাইন ওইনা লুপা লিশিং ২৫ থিহনবা নত্রগা অনিমক্কী চৈরাক ফংহনবা য়াই হায়রি।

## ফ্রি মেডিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচএন এস): লোক্তাক পৱার ষ্টেসন্না শিন্দুনা সি এস আর এন্দ এস ডি এফ ৱাই ২০১৭-১৮ কী মখাদা তোকপা কৈবুল ভিলেজদা ফ্রি মেডিকেল হেল্থ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদু হৌদোকপগী থৌরমদা অদিম পামৈ ভাইস চিয়রপার্সন মণিপুর ষ্টেট ডিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা চিফ গেষ্ট, কে তি রাজা পান্দিয়ান চীফ ইঞ্জিনিয়র লোক্তাক পৱার ষ্টেসন্না গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা শরুক য়াখি।

এল পি সিংহ চীফ মেডিকেল ওফিসর অমসুং এন ঐচ পি সিগী ওফিসলশিং অমদি সেনিয়র ডোক্টরশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা অদিম পামৈনা হায়খি, লোক্তাক পৱার ষ্টেসন্না মফম অসিগী মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংশিংদা তেংবাং পীদুনা ফ্রি মেডিকেলগী খুদোংচাবা ফংহল্লিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি।

খুন্নাই অসিগী শোৎথরবা মীওইগী কাঙলুপশিংবু অনা-লায়েংগী থবক-থৌরমশিং লেম্না পায়খৎপনি হায়না কে টি রাজা পান্দিয়ান ফোঙদোকখি।

মমাংদসু লোক্তাক পৱার ষ্টেসন্না শিন্দুনা ফ্রি মেডিকেল কেম্প কয়া পাঙথোকখিবা লৈরে। ঙসি পাঙথোকখিবা ফ্রি মেডিকেল কেম্প অদুদা ডোক্টরশিংনা অনাবা ২৫০ রোম লায়েংখিবগা লোয়ননা লেম্না হিদাক-লাংথকশিংশু য়েন্থোকখি হায়রি।

## স্কাই হোস্পিটালদা অহানবা ওইনা বেল্লুন পলমোনরি ভালবোতোমি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচএন এস): স্কাই হোস্পিটালনা ষ্টেট অসিদা অহানবা ওইনা বেল্লুন ডিলাটেসন ওফ পলমোনরি ভাল্ব ষ্টেনোসিসকী ওপরেসন চহি ৫ শুরবা মাষ্টর এম দি সরফরজদা থা অসিগী ৯ দা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে।

নেসনেল হেল্থ মিসন মণিপুরগী আর বি এস কে প্রোগ্রামগী মখাদা স্কাই হোস্পিটালনা শেল অমত্তা তিংহন্দনা অসিগুম্বা মওংগী ওপরেসন অসি ইহান হান্না মায় পাক্লা পাঙথোকখিবদা অঙাং অদুগী অপোকপা এম দি সকির অহমদনা নুংঙাইবা ফোঙদোকপ্লে।

মমাংঙৈদগী হৌনা অসিগুম্বা মখলগী লায়েং অসি ওপন হার্দ সর্জরিনচিংবা তৌদুনা লায়েংলকপনি। অদুবু অনৌবা মতমগা চুনবা খুৎলাইশিং শিজিন্নদুনা অসিগুম্বা ওপরেসন অসি পাঙথোক্লবা মতুংদা অঙাং অদু থা অসিগী ১০ দা দিচার্জ তৌদুনা ময়ুমদা হনখ্রে হায়রি।

স্কাই হোস্পিটালগী চিয়রমেন অমসুং চিফ কার্দিওলোজিষ্ট ডা: এল শ্যামকিশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, অনাবা অসি মণিপুরগী ৱাংমদা পুদুনা লায়েংবগী তঙায়ফদবা লৈখি। অদুম ওইনমক স্কাই হোস্পিটালদা অনৌবা মতমগা চুনবা খুৎশু-খুৎলাই মেছিনশিং অমদি অদুগুম্বা ওপরেসন কয়া পাঙথোরকপদগী তোঙান তোঙানবা মওংগী হার্দকী ফিভম শোক্লা পোক্লকপশিং অদু স্কাই হোস্পিটালদা ওপরেসন তৌদুনা লায়েংখিবা অসিনা ষ্টেট অসিগী মপালদা চৎপদা অনাবগী হকচাংদা অমদি শেল-থুমগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লগদবা অদু শিংথানিঙাই ওইনা হন্থহল্লে।

অসিগুম্বা মখলগী ওপরেসন অসি চহি ১৮ গী মখাদা লৈরিবা অঙাংশিংদা স্কাই হোস্পিটালনা শেল অমত্তা লৌদনা ওপরেসন পাঙথোকখিগনি হায়না মখা তাখি।

## গোলাপতি মনিং লৈকায়গী তোৰ্ব্বান শেমজিনবীয়ু

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচএন এস): ৱাটর রিসোর্ছ ডিপার্টমেন্টকী ফ্লদ কন্ট্রোল এন্দ দ্রেনেজ ডিভিজন নম্বর ১ না হৌজিক হৌজিক মিনুথোং তিলিপতি সাইদতা তুরেল খোংনুং শেংবগী থবক পায়খৎলিবা অসিবু য়ুনাইটেদ গোলাপতি হাট্টা ডিভলপমেন্ট কাউন্সিলনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মিনুথোং গোলাপতি রিভর সাইদকী তুরেল খোংনুং তেংবগী থবক চথরিবা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। লোয়ননা গোলাপতি মনিং লৈকায় অসিদগী হৌরগা ৱাটর সপ্লাই টেঙ্ক য়ৌবা ফাওবগী মিটর ২০০ রোম হেন্না শাংবা এরিয়া অসি চহি খুদিংগী নোংজু পান্থাদা লৈরাই নিংগাইগনবনা লৈরিবা আই ভি আর অসি লৈক্রক চৎলে। মরম অদুনা মফম অসিবু লৈঙাক্লা অথুবদা নোংজু পান্থা লাক্লিঙৈদা নিংথিনা শেমজিন-শাজিনবিয়ু হায়রি।

অমরোমদা মিনুথোংদগী হৌরগা তুরেল খোঙনুং শেংদোকপগী থবক অসি নাকল অনিমক্তগী তৌবীরগদি য়াম্না হেন্না ফবা ওইগনি। মরম অদুনা নাকল অনিমক শেংদোকপীয়ু হায়দুনা মখল তানা ফোঙদোরক্লি।

## লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু: মীলাল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৪ (ঐচএন এস): মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোন অপূনবা লুপ (মীলাল) ময়াই লোইশঙদা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা মণিপুর লেগুৱেস এক্ট ১৯৭৯ দা য়াওরিবা রির্টন ইন বেঙ্গলি স্ক্রিপ হায়রিবা অসিগী মহুৎতা রির্টর ইন মীতৈ ময়েক হায়না শেমদোক্লবা মখা তানা লৈঙাক্তা তকশিনবা হায়না ৱারেপ কয়া লৌখ্রে হায়রি।

মীলালগী পাব্লিসিটি সেক্রেটরি এল ইন্দ্রজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ১৯৯২ গী আগষ্ট ২ দা নোংমতদা নিপাল শুবা সেদ্যুলদা মণিপুরী লোলগা পূন্না চনমীন্নখিবা কোনকানি অমসুং নেপালিদি মশা মশাগী লৈঙাক্লা থৱায় য়াওনা হোৎনবদগী ঙসি ঙসিমক শেলয়েক্তা য়াওদুনা থমখ্রে।

অদুবু লাইবক থিবদি মণিপুরী লোলগী য়েংশিনবীনবা লৈত্রবা অঙাংগুম কাংখা থাং ওইদুনা শেলয়েক্তা য়াওবদি লাইরদনা কুমজা ১৯৭৯ গী লেজুয়েজ এক্টতা য়াওরিবা রির্টন ইন বঙ্গালি হায়দুনা লৈরিবা অসি রির্টন ইন মীতৈ ময়েক হায়না ওন্থোকপা ঙমদবা অসি লৈঙাক অসিগী অশোনব্রা নত্রগা তৌনিংদব্রা হায়না হংলক্লি।

মীলাল অমদি ময়েকপু নুংশিবা লৈবাক মীয়াম্না হীরম অসিদা চিংন্দবা ঙমদে। লমদম অসিগী মহৈরোইশিংনা গ্রেজুয়েট ফাওবগী থাক্তা বেঙ্গালীগী মহুত্তা মীতৈ ময়েক্লা মহুৎ শিন্দুনা তম্লে। অদুবু লাইবক থিবদি মণিপুর ওফিসল লেঙ্গুয়েজ এক্ট ১৯৭৯ দা য়াওরিবা রির্টন ইন বেঙ্গালি স্ক্রিপ হায়বসিগী মহুত্তা রির্টন ইন মীতৈ ময়েক হায়না শেমদোকপা মথৌ তায় হায়বসি চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং লৈঙাক অসিগী থৌপুরীবা মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিংনা খঙফম থোকপনি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা মিনিষ্টরগসু কয়ারক ফমীন্নদুনা অমদি অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনবসু লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা খঙশিন-উশিন্নদনা লৈথোকপগুম তৌরি। লমদম অসিগী লৈঙাক্কী হৌনবী হান্না হান্নগী মতৌগুম তাশিন্নদনা লৈথোকপগী অনৌবা লৈঙাক অসিদসু অদুম্না লৈবগুম তৌরি। লৈঙাক্লা ইমা লৈবাক অসিবু নুংশিবা ওইরবদি ইরোল-ইয়েকপুসু অৱাংবা থাক্তা থাংগৎফম থোক্তব্রা হায়না ফোঙদোরক্লি। হায়রিবা থবকশিং অসি লৈঙাক্লা পাঙথোকপীরবদি লৈঙাক অসিবু মীয়াম্না খক কাওবা লৈরোই। খুন্নাই অসিগী লৈঙাক্কী চৎনবী অমা ওইনা অকনবা খোঙজং অমদি মীশি-মীনা থোক্লবা মতমদা তৌবগুম্বগী থৌওং অমা লৈরিবা লৈঙাক্কী চৎনবী অসি থাদোকপীদুনা মীয়ামগী ঈহূল খঙনা থবক তৌবীরবদি লমদম অসি চাওখৎপা, তংদু-লৈতাবা লমদম অমা ওইরক্কনি। ৱারোলশিং অসি থবক্তা ওন্থোকপীদবা তারবদি মীলালনা মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরগনি। মসিদশু লৈবাক মীয়াম্না মতেং পাংবিয়ু।

হৌজিক হৌজিক চৎথরিবা এসেমব্লি মীফম অসিদা পুথোকপীদুনা থবক্তা ওন্থোকপীনবা মীলালনা চেকশিন ৱা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা শুমাং কুম্হৈ চাং তান্নবা অসিদা মতম পূম্বদা লোনয়ান য়ারিবা মখৈ য়াওদনবা অচেৎপা ফিরেপ থমদুনা লাক্লি। মরম অসিনা চৎলিবা চহি অসিগী শুমাং কুম্হৈগী অথোই-অহেন তান্নবা মতমদা কাঙলোন চুম্না খনবীনবসু মীলালনা ফোঙদোরক্লি।

## মণিপুরী প্রোগ্রেসিব ফ্রন্ট, অসাম হায়না ওল্লে




সিলচর, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচএন এস): মণিপুরী দাইসপোরা অসাম (এন দি এ) না শিন্দুনা অখন্নবা জেনরেল মীটিং অমা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সিলচরগী দিমাসা সংস্কৃতি ভবনদা এম দি এ অসি মণিপুর প্রোগ্রেসিব ফ্রন্ট অসাম (এম পি এফ এ) হায়না ওনখ্রে।

মীটিং অদু সেন্ট্রেল প্রসিডেন্ট এল তেজমনিনা প্রিসাইদ তৌখি অমসুং রিটয়রদ কন্ট্রোল ওফ এ পি এস সি এ নন্দবাবু, এ সি এস কেপ্টেন নেত্রো সিংহা, রিটয়রদ সুবেদার মেজর এন ধজ সিংহা, এন ধিরেন সিংহা অমদি সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী ওইনাম নিলকন্থাসু দাইজকী মেম্বরশিং ওইখি।

খুন্নাই অসিগী চাওখৎ থৌরাং অমদি য়াইফনবগীদমক য়েংদুনা মণিপুরী দাইসপোরা অসাম (এম দি এ) অসি মণিপুরী প্রোগ্রেসিব অসাম (এম পি এফ এ) হায়না ওনবগী ৱারেপ লৌখি। এম পি এফ এগী সেক্রেটরি জেনরেল ডা: মাইমোব শান্তিকুমারনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০০৯ দা এম দি এ শেমখিবগা লোয়ননা মণিপুরী ফুরুপকী চাওখৎ- থৌরাং কয়াগীদমক্তা চোকথবা লৈতনা থবক কয়া তৌদুনা লাক্লি।

থৌরম অদুদা আর কে গোপালসনা, আই এস থিঙোম, এ অন্দামোহোন সিংহ, খাইদেম কান্তা সিংহ, নিলবির সিংহ, ৱাহেংচা সোমোর লুৱাং অমসুং ডা: কুঞ্জলাল য়েন্দ্রেম্বমনচিংবনা শরুক য়াখি।

## চুড়াচান্দপুর ডিষ্ট্রিক্টকী বেহিয়াংদা থিজিন খোঙচৎ চৎলুরে: সেন্টর

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচএন এস): হিষ্টোরিকেল এন্দ কলচরেল রিসর্ছ সেন্টর সগোলবন্দনা চত্থরকপা থিজিন খোঙচৎগী খোঙচৎ অমা ওইনা থা অসিগী ১১ দা সেন্টর অসিগী প্রসিডেন্ট নাওরোইবম ইন্দ্রমনি অমদি কাংপোকপী ডিষ্ট্রিক্টকী এ ডি সি/এ ডি এম হৈস্নাম বালকৃষ্ণনা লুচিংদুনা চুড়াচান্দপুর ডিষ্ট্রিক্টকী বেহিয়াংদা লৈবা চিবু ষ্টোন ইন্সক্রিপ্সনগী খুভমদা থিজিন খোংচৎ অমা চৎলুরে হায়রি।

মীওই ৪২ না শাবা কাঙবু অদুনা পুৱারিগা শাগোন্নবা য়াম্না মরু ওইবা খুভমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা চিবু ষ্টোন ইন্সক্রিপ্সনগী খুভম অসি থিজিল্লুবনি। টিদ্দিম রোদতা খা রোমদা কি:মি: ১২০ রোম চৎলগা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগা লোন্নবা ঙমখৈদা য়ুংবা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৪৩ (২) গী মনাক নক্লা বেহিয়াং খুলগী মনুং চন্না মণিপুর ষ্টেট আর্কিওলোজিনা এনসেন্ট মোনুমোন্টস এন্দ আর্কিওলোজিকেল সাইটস এন্দ রিমেন্স এক্ট ১৯৫ কী মতুং ইন্না ঙাক শেন্দুনা থল্লিবা খুভম অমনি। মহারাজ কন্দ্রকৃতিনা পানবা মতমদা মণিপুরগী খা মায়কৈদা লুসাই চীংগী নোংপোক থংবা শরুক্তা পাল্লম্বা লুসাই অমসুং কামহাও নত্রগা সুতে হায়না খঙনবা হিল ট্রাইবশিংনা মণিপুরগী মনুং চন্না লৈবা কুমফি, মোইরাং, খোংজাই, কবুইনচিংবগী লমদা তোইনা লান্দারক্তুনা মী হাৎপগী থৌদোক কয়া থোকপদগী লুসাইশিংবু লাকশিন্নবগীদমক মহারাজ চন্দ্রকৃতিনা লুসাইশিংবু লোইচনবা থৌদোকপু মতম কুইনা নিংশিংদুনা লৈহৌনবা নিংশিং খুভম ওইনা য়ুংদুনা থল্লম্বা ষ্টোন ইন্সক্রিপ্সননি।

খোঙচৎ অদুদা মহারাজ চন্দ্রকৃতি অমদি মতম অদুগী মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট নাথাল অমদি ব্রাউন সাহেব হাওনা সাওগাইজাম্বা, বলরাম মেজোর অমসুং কাংঙাবা থাঙ্গাল মেজর অনিনা কুমজা ১৮৭২ দা মীতৈ লাম্মী লিশিং ২ বেগারি ৪০০ পুদুনা লুসাই চীংবু লাকশিন্দুনা মণিপুরগী মনুং চন্না লৈবা খুলশিংদা মীহাৎ মীপুন তৌবা ঙমহন্দনবগীদমক চীবু থোংখোং তান্না চৎখি।

চীবু ষ্টোন ইন্সক্রিপ্সনগী খুভম অসি মখা তানা অমাং-অতা থোকহন্দনা তুং কোয়না লৈহন্নবা নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা থম্নবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক্লা পূন্না থৌরাং লৌমীন্নসি হায়খি।

## য়ুমগী লাইথৌদা নুপীগী থৌশিল য়েন্থোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৫ (ঐচএন এস): কংলৈ সলাই অপূনবা লুপনা পুথোকপা য়ুমগী লাইথৌদা নুপী মসিল হায়না মীংথোনবা লাইনিংলোন অমদি য়ুম্বাল্লোনদা য়ুম্ফম ওইবা লাইরিক অসি ঙরাং সনামহী থৌগল কাঙলুপ তেন্থা মশা লোইশঙগা কসালগী খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিথোকখিবা থৌরমদা য়েন্থোকখ্রে।

কংলৈ সলাই অপূনবা লুপকী জেনরেল সেক্রেটরি ময়েংলম্বম সেলুংবা লুৱাংনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়, লাইরিক অসি য়েন্থোক্লিবগী মরমদি ইরমদম অসিদা মপাল লমদগী চঙলকপা অচৌবা-চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা পুশিল্লকপা লাইনিংগী লান্দা ইরমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক থুদুনা ওইজ ওইথক্তা ঙাওখিদুনা ইরমদম অসিদা লৈজরম্বা ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা ইনাৎ-লাইনিং, য়ুম্বাল্লোন, থকসি-খাসি অমসুং চৎন- লোনচৎ নোংমা নোংমগী মাংশিল্লক্লি। মসিনা মরম ওইরগা ইরমদম অসি নোংম নোংমগী মীখা পোনবগী লম্বীরোমদা খোঙ থাংজিল্লক্লি। ঐখোয়গী লৈজরম্বা চৎরোল পূন্নমক থাদোক্তুনা ইরমদমসিগী মীপুম খুদিংমক্লা চঙশিল্লকপা অমদি ইনাৎ-লাইনিং কাওথোরকপনচিংবা পূন্নমক অসি কন্নবগীদমক লুপ অসিনা কুমজা ২০১১ দগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখি। মখা তানা মণিপুরগী সনামহী লাৎচবা য়ুমথোং খুদিংগী লাইরিক অসি অমমম ফংহন্নবগী পান্দমদা মখা তানা য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা ৱাই মীরেনখোম্বনা হায়খি, নাৎকী মরমদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চনম ওংবী বেনাউ লৈমানা পুয়াগী ৱারী লীদুনা মীয়ামদা নাৎকী ওইবা ৱারোল কয়া তাহনখি হায়রি।